
# অথিংবা শীংনদুনা নোর্থ কোরিয়ানা বলেষ্টিক মিসাইল কাপখ্রে, জপাননা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



সিওল, মার্চ ১৮ (এজেন্সী) ঃ

নোর্থ কোরিয়ানা ঙসি য়ামদ্রবদা বলেষ্টিক মিসাইল অমা কাপখ্রে অমসুং মিসাইল অদু লৈবাক অদুগী নোংপোক থংবা কোষ্টতগী ঈশিং ইপাকলোমদা কিলোমিটর ৮০০ লোম লাপ্না পাইরগা তাশিনখি হায়না সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে। য়ু এন অমসুং য়ু এসবু শীংনদুনা নোর্থ কোরিয়ানা বলেষ্টিক মিসাইল চাংয়েং অদু পাঙথোকখিবনি হায়রি।

সাউথ কোরিয়াগী য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সীনা হায়খি, মিসাইল অদু ময়াই ওইরপ শানবা রোদোং মিসাইল অমা ওইবা য়াই। করিগুম্বা কনফার্ম তৌবা তারবদি চাংয়েং অদু কুমজা ২০০৪দগী হৌজিক ফাওবসিদা নোর্থ কোরিয়ানা পাঙথোকপা জপান য়ৌবা ঙম্বা ময়াই ওইরপ শানবা মিসাইলগী অহানবা চাংয়েং ওইগদৌরিবনি।

অনৌবা মিসাইল চাংয়েং অদু হৌখিবা জন্যুৱারীদা ন্যুক্লিয়ার চাংয়েং অমা পাঙথোকখিবগীদমক্তা য়ু এন সিকুরিটি কাউন্সীলনা থা অসিগী অঙনবদা থমখিবা অথিংবশিংবু নোর্থ কোরিয়ানা শীংনবদগী অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চয়োল অসিদা লৈবাক অদুগী মথক্তা অনৌবা অথিংবা কয়া থমখিবদগী কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা টেন্সন ৱাংখৎলক্লিঙৈ মরক্তা পাঙথোরক্লিবনি।

মিসাইল অদু ঙসি অয়ুক অঙনবদা নোর্থ কোরিয়াগী কেপিটেল পিয়োংয়াংগী অৱাংদগী থাগৎখি অমসুং পেনিন্সুলা অদু লান্না পাইরগা নোংপোক থংবা কোষ্টতগী খরা থাপতোক্লগা ঈশিংদা তাশিনখি হায়না সাউথ কোরিয়াগী জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফকী ওফিসনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

কিলোমিটর ১৭ ৱাংবা ওল্টিচ্যুদতা প্রোজেক্টাইল অমা রাদরদগী উখিদবগা লোয়ননা নোর্থ কোরিয়ানা লমদমদুমক্তগী য়াম্না থুনা অনীশুবা মিসাইল অমসু থাগৎখিবা মাল্লি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

সাউথ কোরিয়ানা মিসাইলশিং অদু করম্বা মখলগীনো হায়বদুদি কনফার্ম তৌখিদে। তৌইগুম্বসুং কিলোমিটর ৮০০ শানবা হায়বসি নোর্থ কোরিয়াগী অর্সিনেলদা লৈরিবা অয়াম্বা সোর্ট রেঞ্জ মিসাইলশিংনা পাইবা ঙম্বা রেঞ্জদগী হেনবা য়াই। নোর্থ কোরিয়াগী রোদোং মিসাইল অদু শাংলবদা চাউরাক্না কিলোমিটর ১,৩০০ রোম শান্না পাইবা ঙমগনি হায়না সাউথকী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

ৱাশিংটনদা য়ু এসকী ওফিসল অমনা রোইটর্জদা হায়খি, চাংয়েং পাঙথোক্লিবদু লম্বীগী মোবাইল লোঞ্চর অমদগী থাগৎখিবা ময়াই ওইরপ শানবা মিসাইল অমা মাল্লি।

য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফীভমদু কুপ্না য়েংশিল্লি হায়খি অমসুং নোর্থ কোরিয়াদা মালেমগী কম্মিটমেন্টশিং অমসুং তৌফম থোকপশিং মপুং ফানা ঙাক্নবগী মায়কৈরোমদা মশক থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎনবা তকশিনখ্রে।

চৈরকসিদা, জপাননা বৈজিংদা লৈবা লৈবাক অদুগী এম্বেসিগী খুথাংদা নোর্থ কোরিয়াদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মিসাইল চাংয়েং অদুবু খুদক্তা কন্দেম তৌখ্রে হায়না প্রাইম মিনিষ্টর শিনজো অবেনা পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখ্রে।

“জপাননা নোর্থ কোরিয়াদা মশাবু ফাথজনবা কন্না দিমান্দ তৌরি অমসুং অরাকপা ফীভম খূদিংমক্তা চপ চানা পাউখুম পীনবা ৱার্নিং পীবা অমসুং সার্ভিলেন্স পাঙথোকপগুম্বা তঙাইফদবা খোঙথাং খূদিংমক লৌখৎকনি” হায়না অবেনা হায়খি।

হৌখিবা চয়োলদা নোর্থ কোরিয়ানা নোংপোকথংবা ঈশিংগী ইমায়দা অতেনবা রেঞ্জগী মিসাইল অনী কাপশিনখি অমসুং লৈবাক অসিগী লিদর কিম জোং উননা এটেক তৌবা ঙম্বগী ফীভম ফগৎহন্নবা অহেনবা ন্যুক্লিয়ার খুৎলাই অমসুং মিসাইল চাংয়েংশিং ওর্দর তৌখি। কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা টেন্সন ৱাংখৎনরকপা মতমদা নোর্থ কোরিয়ানা মিসাইল কাপ্পসি তোয়না থোকই হায়রি।

## য়ু এনগী চীফ বান কি-মুননা ম্যান্মারগী অহানবা সিবিলিঅন প্রসিদেন্টবু তরাম্না ওকখ্রে



ন্যু য়োর্ক, মার্চ ১৮ (এজেন্সী) ঃ

য়ু এন সেক্রেটরি জেনরেল বান কি-মুননা হটিন কিয়োবু চহী ৫০ হেনবগী মনুংদা ম্যান্মারগী অহানবা সিবিলিঅন প্রসিদেন্ট ওইনা খনখিবদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখ্রে অমসুং লৈবাক অদুনা দেমোক্রেসি অমসুং লৈবাক্কী ওইনা শন্তাইনবগী লম্বীদা মখা তানা চঙশিনগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখ্রে।

পুৱারীদা লৈহৌগদৌরিবা হৌখিবা নবেম্বরগী মীখলগী মতুংদা ম্যান্মারগী পার্লিয়ামেন্টনা লৈবাক্তুগী ইগজিক্যুটিব মকোক ওইনা খনখিবা কিয়োবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা থোকখিবা বান কি-মুনগী স্পোক্সপার্সনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, “লৈঙাক্কী পৱার থাদোকখিগদৌরিবা গভর্ণমেন্টনা হৌদোকখিবা দেমোক্রেটিক রিফোর্মশিংবু খোঙজেল থুহনগদবা খোঙথাং অসিবু মহাক্না শীংথানিঙাই ওইবা মায়পাকপা অমনি হায়না লৌই।”

“ম্যান্মারগী মীয়াম্না দেমোক্রেসি অমসুং লৈবাক্কী ওইবা শন্তাইনবগী লম্বীদা মখা তানা খোঙফম চেৎনা চঙশিনগনি হায়না সেক্রেটরি জেনরেলনা থাজৈ অমসুং মহাক্না ম্যান্মারগী মরু ওইরবা ট্রাঞ্জিসনগী পুংফম অসিদা পার্লিয়ামেন্টনা প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লবা য়ু হটিন কিয়ো অমসুং অতৈ মরু ওইবা মীওই খূদিংমক্তা লৈবাক অদুগী অমত্তা ওইবা অমসুং তং তাবগী ফীভমবু নে-তানা চেৎশিনহন্নবা মওংদা থবক তৌমিন্ননবা আপিল তৌরি” হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

ম্যান্মারগী মীয়াম পুম্বগী ওইনা কান্নহন্নবা ঈং-চিকপা, চাউখৎপা, মীওইবগী হক অমসুং লৈবাক্কী চৎন-পথাপশিং চৎনহন্নবা হোৎনবা খূদিংমক্তা য়ু এননা মখা তানা সপোর্ট তৌনবা শেম-শাদুনা লৈ হায়বা ৱাফম্বুসু নৌহৌননা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা নবেম্বর ৮দা পাঙথোকখিবা জেনরেল ইলেক্সন্দা ওং সান সু চিগী নেসনল লিগ ফোর দেমোক্রেসি (এন এল দি) পার্টিনা মপুং ফানা মায় পাকখিবগা লোয়ননা পার্লিয়ামেন্ট হাউস অনীমক্তা মেজোররিটি চাউনা ওইখি।

লাক্লিবা মার্চকী ৩০দা কিয়োনা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌদুনা ম্যান্মারদা মিলিটরি লৈঙাক লোইশিনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা থবক্তগী পোথারবা থৈইন শৈইনগী মহুৎ শীল্লগনি।

চহী ৫০ হেন্না মিলিটরি লৈঙাক লৈরক্লবা মতুংদা মালেম পুম্বগী বোদি অসি ম্যান্মারগী ট্রাঞ্জিসনদা মতম শাংনা চেন্নদুনা লাকখি। ইন্দিয়াগী ভেটরন দিপ্লোমেট বিজয় নম্বিয়রবু য়ু এনগী সেক্রেটরি জেনরেলনা ম্যান্মারগা মরী লৈননা অখন্নবা এদভাইজর হাপখি। থৌদাং অদু নম্বিয়রনা কুমজা ২০১০দগী পায়দুনা লাকখিবনি।

কুমজা ২০০৭তা বাননা “গ্রুপ ওফ ফ্রেন্দস ওফ দ সেক্রেটরি জেনরেল ওন ম্যান্মার” কৌবা লৈবাক ১৪গী কন্সল্টেটিব ফোরম অমা শেমখি। ফোরম অসিগী মথৌদি সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাক অদুদা অহোংবা লাক্নবা মহাক্না হোৎনরিবদুদা মতেং পাংহনবনি।

## ইস্লামিক ষ্টেটনা রশিয়ন লান্মী ৫ হাৎলে হায়না ক্লেম তৌখ্রে



দামাস্কস, মার্চ ১৮ (এজেন্সী) ঃ

লাইগী থৌজালদগী কেলিফেটকী লান্মীশিংনা রশিয়াগী লান্মী মঙা অমসুং সিরিয়ন আর্মিগী মেম্বর ৬ হাৎখ্রে হায়না আই এসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খ্রে।

গ্রুপ অদুনা পলমিরাগী মনাক্তা খুৎ থোক্লবদা লেবানিজ সিয়াইট হেজবোলা গ্রুপকী মেম্বর কয়ামুকসু হাৎলে হায়না ক্লেম তৌখ্রে।

আই এসকা মরী লৈনবা ৱেবসাইট আমাকনসু মান্নবা ক্লেম অমা তৌখ্রে অমসুং হাৎখিবা রশিয়নশিংদুগী মনুংদা অমদি মিলিটরি এদভাইজরনি হায়খ্রে।

“রশিয়ন লান্মী মঙাদুগী মনুংদা মরিদি পলমিরাগী নোংচুপলোমদা লৈবা কশর অল হলাবটতা হাৎখিবনি। মখোয়না এরিয়া অদুদা থোমজিন্নবা হোৎনরকপদা থৌদোক অদু থোকখিবনি। ভীদিওদা অশিবা হকচাং উৎখিবা মিলিটরি এদভাইজর অদুনা দাৱা এরিয়াদা হাৎখিবনি” হায়না আমাকনা ক্লেম তৌখি।

আমাকনা মিলিটরি ফিজোল শেৎপা ঈনা য়োম্লবা অশিবা হকচাং অমগী ভীদিও ফুটেজ ফোঙখি অমসুং মদু রশিয়ন মিলিটরি এদভাইজরদুনি হায়না ক্লেম তৌখি।

ফুটেজ অদুনা শেমদোক্লবা একে-৭৪ এম রাইফল, হেলমেট অমা অমসুং কোম্পাস অমা য়াওনা ফাগৎলবা খুৎশু-খুৎলাইশিংসু উৎখি। রশিয়ন লোলদা ইন্সট্রক্সন ইবা বেন্দেজ পেকেট অমসু ভীদিওদুদা উবা ফংখি।

ইষ্টর্ন সিরিয়াদা লৈবা “পর্ল ওফ দ দেজার্ট” হায়না খঙনবা য়ুনেস্কোগী ৱর্ল্ড হেরিটেজ সাইট অমা ওইরিবা পলমিরা আই এসনা হৌখিবা মেদা সিজ তৌশিনখিবগা লোয়ননা মালেম শিন-থুংনা নুংনাংবা পোকহনখি।

সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটস মোনিটরনা হায়খি মদুদি, রশিয়ন এদভাইজরশিং অদু পলমিরাগী মনাক নক্না লৈখি, তৌইগুম্বসুং হন্দক নুমিৎ খরনি অসিগী মনুংদা রশিয়ন ফোর্সশিংদা মীশি-মীনা থোকহনখি হায়বদুদি কনফার্ম তৌবা ঙমখিদে।

সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট অশাদপু চাউনা শৌগৎলিবা রশিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা রশিয়াগী আর্মদ ফোর্সেস অয়াম্বা সিরিয়াদগী ৱিদ্রো তৌনবা ওর্দর তৌখিবনি। অদুম ওইনমক খঙহৌদনা লাউথোরকখিবা অদুগী মতুংদা রশিয়ন এয়র ফোর্সনা মরু ওইনা পলমিরাগী অকোয়বদা লৈবা জিহাদিষ্টশিংগী টার্গেটশিংদা মখা তানা এয়র ষ্ট্রাইক চথখি।

জিহাদিষ্টশিংগী ক্লেমদুগী মতাংদা এ এফ পিনা করি পাউ লৈবগে হায়না হংবদা রশিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা পাউখুম পীখিদে।

“টেররিজমগী মায়োক্তা ঐখোয়না লৌরিবা অচেৎপা ফিরেপ অদুদা অহোংবা লৈতে” হায়না পুটিননা হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা হায়খি অমসুং পলমিরাগী মনাক্তা লাল কন্না শোক্নরি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর ৩০দা মোস্কোনা সিরিয়াদা মিলিটরি ইন্টরভেন্সন হৌখিঙৈদগী মিলিটরি এদভাইজর অমা য়াওনা লমদম অদুদা শিখিবা রশিয়ন মরিগী মমিংসু মহাক্না লাউথোকখি।

হান্নদি দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা পীবা ওফিসল ওইবা মশিংদা সুইসাইদ তৌখিবা লান্মী অমা থাদবিদা লমদম অদুদা চত্থবা মিলিটরি এক্সনদা রশিয়ন অহুম শিখ্রে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

## অথিংবা লৌথোকখিবদগী মুশরাফ পাকিস্থান থাদোকখ্রে

ইস্লামাবাদ, মার্চ ১৮ (এজেন্সী) ঃ

পাকিষ্টানগী কোর্টনা চহী ৩ চুপ্না মপান্দা চৎপদা অথিংবা থম্লম্বা লৌথোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুগী হান্নগী মিলিটরি রুলর পর্বেজ মুশরাফ ঙসি অয়ুক লৈবাক্তু থাদোকখ্রে হায়না এয়রপোর্টকী সোর্ছশিংনা এ এফ পিদা কনফার্ম তৌখ্রে।

মুশরাফনা দুবাই য়ৌগদবা ইমিরেটসকী ফ্লাইট অমা তোংখি অমসুং মদু করাচি এয়রপোর্টতগী অয়ুক পুং ৩.৫৫দা পাইখি। “মহাক প্লেনদুদা কাখৎখিবা ইকোন কোনবা মীশক ওইখি অমসুং মহাক্না কাখৎখ্রবা তুংদা গেট থিংজিনখি লোয়ননা থবক্তগী পোথারবা জেনরেল অদু মায়থোং মকা লাম্না উখি” হায়না এরয়পোর্টকী সোর্ছ অমনা এ এফ পিদা হায়খি।

লৈবাক্কী মায়োক্তা লৌতুনবা অমসুং হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর বেনাজির ভুতোবু হাৎখিবগী মতাংদা মীহাৎপগী য়াওনা মরাল কয়ামরুম শীরিবা হান্নগী প্রসিদেন্ট অদুগী উকিলশিংনা হায়খি, মহাক পাকিষ্টানদদি খুদোংচাদবা অথুবা স্পাইনেল ট্রিটমেন্ট তঙাইফদ্রবা মীশক অমনি।

“ঐহাক লায়েংনবগীদমক্তা মপান্দা চৎলিবনি তৌইগুম্বসুং ঐহাক্কী মায়োক্তা লৈরিবা কেসশিং মায়োক্ন বগীদমক্তা ঐহাক অমুক হল্লকখিগনি। ঐহাক কম্মান্দো অমনি। ঐহাক্না ঐহাক্কী ইমা লৈবাকপু নুংশি” হায়না করাচিদা পার্টিগী স্পোক্সমেন অমনা মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

“ট্রিটমেন্টগী মতম ওইনা চয়োল ৬তগী ৮ ফাওবা চঙগনি অমসুং মদুগী তুংদা মহাক ময়ুমদা হনগনি” হায়না দুবাইদা মুশরাফকী ওল পাকিষ্টান মুস্লিম লিগ পার্টিগী স্পোক্সমেন ডো. অমজাদ মালিকনা ফোঙদোকখি।



মুশরাফনা মীখলদা শরুক য়ানবা মরাইবক থীবা মিসন অমদা মপান্দগী মরৈবাক্তা হল্লকখিবা মতুং কুমজা ২০১৩গী মার্চতা মহাকপু কোর্টনা পাকিষ্টান থাদোক্তুনা চৎপদা অথিংবা থমখিবনি। হান্নগী লৈঙাকপা অদু মীখলদা শরুক য়াবা থিংখি অমসুং মদুগী মহুত্তা লিগেল কেস কয়ামরুম মায়োক্নরকখি। হৌখিবা জন্যুৱারীদা মুশরাফপু কুমজা ২০০৬তা বেলোচ লিদর নৱাব অকবর বুগটি হাৎখিবগা মরী লৈনবা কেসতা কোর্টনা মরাল লৈত্রে হায়না লাউথোকখি।

তৌইগুম্বসুং হান্নগী মিলিটরি রুলর অদুগী মথক্তা হৌজিকসু কেস মরি নন্দুনা লৈরি। কেস অমনা মহাকপু ইমরজেন্সী রুল থমজিনবগীদমক্তা লৈবাক্কী মায়োক্তা লৌতুনবগী মরাল শীরি। অতৈ কেসশিংনা মহাকপু জজশিংবু চৎন-পথাপকী ৱাংমদা মফম লৌথোকপা, ওপোজিসন লিদর বেনজির ভুতোবু হাৎপা অমসুং ইস্লামাবাদকী রেদিকেল রেদ মোস্কতা শাথিরবা এটেক অমা চত্থখিবগী মরালশিং শীরি।

হৌখিবা জুন থাদা সিন্দ হাই কোর্টতা মুশরাফকী মপান চথোক চৎশিন্দা থম্লম্বা অথিংবা লৌথোকখি, তৌইগুম্বসুং মতম শাংনা মহাক্কী পোলিটিকেলগী য়েক্লবা ওইরকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফনা লূচিংবা ফেদরেল গভর্ণমেন্টনা ভার্দিক্ট অদুবু আপিল তৌখি।

“ঙসি জেনরেল মুশরাফকী উকিলশিংনা অচুম্বা মওংদা ৱাকৎ অমা থাগৎলকখি অমসুং সুপ্রিম কোর্টকী ৱারেপ অদু য়েংদুনা গভর্ণমেন্টনা মহাকপু অনা-লায়েংগীদমক্তা মপান্দা চৎপগী অয়াবা পীরে” হায়না পাকিষ্টানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর চৌধরি নিশার অলি খাননা শগোলশেন নুমিৎতা কনফার্ম তৌখি।

মুশরাফকী উকিলশিংনা মহাক চয়োল ৬কী মনুংদা শোয়দনা হল্লক্কনি হায়বগী গরেন্টিশিং পীখি অমসুং মহাক্কী মায়োক্তা হৌজিক লৌখৎলিবা কেস কয়াদা মহাক কোর্ট কাগনি হায়নসু থাজবা পীরে হায়না খাননা মখা তাখি।

নীংশিংবা য়াবদি, কুমজা ১৯৯৯দা জেনরেল পর্বেজ মুশরাফনা নৱাজ শরিফপু মীশি-মীনা থোকহনখিদবা কূ অমদা পৱারদগী চিংথুখি অমসুং কুমজা ২০০৮দা দেমোক্রেসি হঞ্জিন্দ্রি ফাওবা পাকিষ্টানবু লৈঙাকখি।




# EMPLOYMENT NEWS

## WEST BENGAL POLICE JUNIOR CONSTABLE JOBS RECRUITMENT 2016

**West Bengal Police 2016 : West Bengal Police Department Notification :** THE WEST BENGAL POLICE DEPARTMENT has invited application for fill up 490 Junior Constable posts in West Bengal Police from eligible Indian Citizens.Interested candidates may submitted either through on-line or off-line application reach on before 08.04.2016 **(www.policewb.gov.in)**. Further details see on below..

**Important Dates Remember :**

**Commencing date of Application :** 07th March 2016.

**Application submission last date :** 08th April 2016.

**Distribution of Vacancy Details :**

Chandrapur, Dubrajpur, Kankartala, Khairasole, Lokepur, Md. Bazar, Murarai, Nalhati, Rajnagar, Rampurhat, Sadaipur.

| Sr. | Category Name | Male | Female |
|---|---|---|---|
| 1 | UR | 148 | 17 |
| 2 | UR-EC | 72 | 08 |
| 3 | UR-Ex.Serviceman | 18 | 02 |
| 4 | SC | 63 | 07 |
| 5 | SC-EC | 31 | 04 |
| 6 | SC-Ex.Serviceman | 05 | — |
| 7 | ST | 18 | 02 |
| 8 | ST-EC | 09 | 01 |
| 9 | OBC-A | 31 | 04 |
| 10 | OBC-A (EC) | 13 | 02 |
| 11 | OBC-B | 22 | 03 |
| 12 | OBC-B (EC) | 09 | 01 |

**Education Qualifications :**

Applicants should be VIIIth standard from recognized Educational institution.

**Age Limit :**

Applicants age must not be less than 18 years and not more than 27 years of age as on 01.01.2016. Upper age limit is relaxable by Five years for SC/ST, Three years for OBC, Ex-servicemen will get age relaxation as per rules.

**Selection Method :**

1.Measurement of Physical Standard
2. Physical Efficiency Test (PET)
3.Written Test
4. Interview
5.Verification of Anteedents
6.Medical Examination

## CRPF SIGNAL STAFF JOBS RECRUITMENT 2016

**CRPF Recruitment 2016 : Central Reserve Police Force Notification :** CENTRAL RESERVE POLICE FORCE is conducting recruitment for the various post of 134 Signal Staff. Applications are invited from Male/Female Candidates who are ordinarily residents of States & Union Territories of India. Eligible candidates may apply through online Application reach on before 02.04.2016 **(www.crpf.gov.in)**. Further details see on below..

**Important Dates Remember :**

Commencing Date of Application : 02nd March 2016..

Application submission last date :02nd April 2016.

**Distribution of Vacancy Details :**

| Sr.No. | Post Name | No.of Posts |
|---|---|---|
| 1 | SI (Radio Operator) | 01 |
| 2 | SI (Crypto) | 04 |
| 3 | SI (Technical) | 04 |
| 4 | ASI (Technical) | 121 |
| 5 | ASI (Draughtsman) | 04 |

**Education Qualifications :**

**SI (Radio Operator):**

Graduation in Mathematics and Physics or Computer Science combination Group subjects

**SI (Crypto) :**

Graduation in Mathematics and Physics combination Group subjects

**SI (Technical) :**

B.Tech/BE in Electronics /Telecommunication Engineering or Computer Science discipline from recognized Institution.

Should be qualified Associate Member of the Institution of Engineers or Institution of Electronics and Telecommunication Engineers.

**ASI (Technical) :**

10th Standard Examination pass and Diploma in Radio Engineering or Electronics or Computer Science (OR)

Graduation in Physics/Chemistry and Mathematics subjects

**ASI (Draughtsman) :**

Matriculation Examination pass

Diploma in Draughtsman (Civil/Mechanical Engineering) from a Govt. recognized Polytechnic Institution.

**Age Limit :** Age relaxable for SC/ST/OBC, Ex Servicemen and other categories accordance with the Government orders.

| Post Name | Age limit |
|---|---|
| Sub-Inspector | 30 years |
| Assistant Sub-Inspector | 18-25 years |

**Selection Mode :**

**Physical Standard Test (PST)-**

**Male candidate –** 170 cms, Female candidates – 157 cms

**Chest –** 80 cms for male candidate only and minimum expansion 5 cms

**Physical Efficiency Test (PET)**

**Race-**1.6 Kms. race in 6 Minutes & 30 Seconds. 100 Mtr. race in 16 Seconds (Male), 800 Mtr. race in 04 Minutes. 100 Mtr. race in 18 Seconds (Female)

**Long Jump-**3.65 Mtrs. in 3 chances (Male), 9 feet in 03 chances

**High Jump-**1.2 Mtrs. in 03 chances (Male), 3 feet in 03 chances

**Shot Put** 16 LBS-4.5 Mtrs. in 03 chances (Male)